# থম্মোয় অনী শিন্ননবা পাম্বে অমা থিরকপা



- এস ইন্দ্রকুমার-

হায় স্কুল তম্লিঙৈ মতম অদুদদি লেং-মান্নবী (চহী লোঙ্গা) গী নুপীশিংগা লাইরিক তম্মীন্নদুনা, নক্না লোয়নবগী তাঞ্জাদুমদি ফংলকখিদে, তেরা বোইজ জুনিয়র হায় স্কুল অমদি রাম লাল পোল হায় স্কুল অনীসিদা নুপামচা ঙাক্তা তম্বা স্কুল ওইরমবনা। লৈকায়গী ঈথক-থোংবা ইয়াম্বশিংনা শীন-লাঙবা 'সম্মর-কোচিং-ক্লাস' কী থা অমগী মতমদুদা পুন্না লাইরিক তম্মীন্নরকখিবী লৈকায়গী লেং-মান্নবী খরগী পূন্সি মমি ঐগী থম্মোয়সিদা তারিবসিনা ইথিল পীদুনা ৱারী খরগী প্লোট শাগৎখি। মদুগী কাউঙমদ্রবা এক্সপরিএন্স-পূমতোপ তোপ্পা অমনি। অসিনা মরম ওইরগনি, ঐগী মথোৎ-কারক' মতমগী মঙলান'- তাইবঙ অয়াম্বা বেঙ্গলিদগী হন্দোকপা, মীতৈলোলদা ইবা উপন্যাসশিংগী ক্যারেক্টরশিং নৎত্রগা হিন্দি ফিল্মগী হিরোইনশিংনা কন্দুনা লৈখিবা। হায় স্কুল পূন্সি লোইরদুনা কোলেজগী তেল্লবা পূন্সি অদুদা থেংনরকখিবা নুপা-নুপী-কো-এদ্যুকেশন-সিষ্টম অদুনসু রোমান্তিক-ড্রিমস মথৌ শঙবা নত্তনা কনাগুম্বী অমত্তগা হকচাং-হকচাং নকশিন্নবগী এক্সপরিএন্স অদুদি ফংলকখিদে। অনৌবা চহী থুংলবা, ন্যু য়র মতমদা তরাম্না ওকপগী 'গ্রীটিং কার্দ' নুংশিবী মঙোন্দা পীননবা খনবদা 'করম্বা ৱারোল'না ঐগী থম্মোয় ইহুল খ্বাইদই হেন্না চূনবগে য়েংখি। ...'আই হেব নোট স্লেপ্ত ফোর ফিয়র আই ৱুদ ৱেক টু ফাইন্দ ওল দিস বট এ ড্রিম'... মতমদুদা থম্মোয়সিদা য়ৈখিবা ৱাহৈ পরেং অমনি।

'জেক্কলিন সুসেন'না ইবা 'দোলোর্স' হায়বা নোভেল অদু পারুবদা নোংচুপ-লোমগী ইনখৎলক্লিবী লৈশাবীশিংগী রোমান্তিক লাইফকী অঙকপা শক্লোন অমা উরকখি। নুপীমচা অমগী অহানবা সেক্সুএল এক্সপরিএন্স অদু অপোকপা মপাগা শানবা ৱারীগী সবজেক্ট অমা ওইহনবা-ৱাখলসিনা লামশিনবা ঙল্লরোইদবা রিঅলিটি অমনি। লমদমসিদা কনাসু ঙম্নি থাজদে।

ফনা কুইনা, চহী মরি-মঙা শুরল্লগনি 'রিদর্স দাইজেষ্ট' মেগাজিন্দা আর্টিকল অমা পাখি। অইবদুদি কাউখ্রে, টাইটলদুদি নীংশিংলি - 'দান্সিং ইন দ দার্ক' (অমম্বদা জগোয় শাবা) ৱারেং অদু অমেরিকাগী স্কুলশিংদা ইনখৎলকপা নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংনা, মখোয়গী দান্স অমসুং ম্যুজিক টিচরশিংগী মতেংদগী, মাগী-মাগী থম্মোয়বু কাইহৌরিবা মহাক্না মপাঙ ওইদুনা স্কুলগী জিম্নাসিয়ম মনুংদা মুশি-মুশিবা মঙালদা হকচাং অনী চিপক্লনা জগোয় শামিন্নবগী থম্মোয় ঈরাং হৌহনবা, পূন্সিগী অহানবা মীকুপশিংদু শৈথাবনি। কল্লবা, শান্নবগী খূৎশু-খূৎলায়, বেট-হেন্দল পায়বতদা হৈরবা খূৎশাশিং অদুনা থম্মোয় হুন ফজরবা, নীংথিবী মাগী চেংলবা খ্বাঙগী থোৎলবা হকচাংদুদা শোক্লুবা মীকুপ্তুদা হকচাং পূম্বা তুজুংখিবা... অদুসু, ঈশৈ অমা লোইরগা অতোপ্পা ঈশৈ অমা হোংবা খুদিং, পার্টনর অমমম হোংদুনা ... হৈ শিংলবা অইবদুগী ৱাহৈশিং অদুননি, অমুক্তসু থেংনরকখিদ্রবা এক্সপরিএন্স অদু ইশামক্তা থোকখিবগুম, অদুঙৈগী চান্নবী, ঐগী ওইবা ফংখিদ্রবীদুগা জগোয় শামিন্নখিবগুম তগৎ-তগৎ তেকপা নীংশিং-শক্তম ওইনা মীৎমাঙসিদা চোংথোকহল্লিবা। খনখি-মতমদুগী নুপামচা-নুপীমচাশিংগীদমক্তি 'হায় স্কুল'- নুংশি-নুংওন-ঈরাং হৌহনবা, রোমান্তিক-ম্যুজিক'না নিল্লবা 'বোলরুম-দান্স-থিএটর' তঙাইফদবা অমা ওইরবা, 'কো-এদ্যুকেশনল পেরেদাইজ' অমা শোয়দনমক্কী ওইরমগনি। অইবদু ঐহাক্লম্বা অমা শোয়দনমক্কী ওইরমগনি, 'নখোয় কনা-কনা জগোয় শাবা হৈ, অহৈবশিং নখূৎ থাঙ্গৎলু' হায়না ম্যুজিক টিচরদুনা লাউথোরকপদা মখূৎ থাঙ্গৎখিদে হায়, 'হৈত্রিবশিং, হয়েং নুংথিল দান্স-টিচর-মেদামগী নাক্তা রিপোর্ট তৌগদবনি'...।

দান্স-টিচরগী মনাক্তা চৎলগা রিপোর্ট তৌরুবা, মহাক্কী 'ড্রিম-গর্ল' ওইরম্বীদুগা লোয়ননা জগোয় শামিন্নখিবা, মঙদুনা অচুম্বা ওইরকপদা দান্স-টিচরদুগী থৌদাং...শৈথাদুনা ইখিবা অইবগী ৱাহৈশিংদু মীৎমাঙসিদা জগোয় শারকই... 'বোয়জ! ... ঐনা ৱান, তু, থ্রী, ফোর কাউন্ট তৌরকপদা নুপীমচা অমগী নাক্তা চঙশিন্দুনা জগোয় শামীন্নসি হৌগদবনি... নখূৎ য়েত্তুনা মাগী খ্বাঙ মপাদা থল্লগা ওইথংবা খূৎতু পাম্বোম ৱাংনা থাঙ্গৎতুনা তুমা শুবা মশীং খুদিংগী খোঙ্কাপ অমা মাঙলোমদা, তুমা শুদবা মশীং খুদিংগী খোঙ্কাপ অমা তুংলোমদা হন্দোক্কদবনি ম্যুজিকসিগী তাম্বাদা... মখ্বাংদা থল্লিবা খূৎতুনা হকচাংদু চিপক্লনা চিংশিনবা ঙল্লিবমখৈ জগোয়সিগী ফজবা হেনগনি'...। দান্স-টিচর, ওজা নুপীদুগী য়াথংদা শাখিবা জগোয়... পামজবা মহাক অদুগা পূংবা ওইনা তারক্তুনা, মহাক্কী খূৎ অমদি মখ্বাংদুদা শোক্লুবা মীকুপ্তুদা মথম্মোয়দা হৌখিবা মথুম-মরাং... অইবদুনা হায়, চপ চানা ফোঙদোক্লবা মাগী ৱাহৈ থিবা ফংদে।

নীংশিং-নীংশিং তমজরিবা পাউদমসি, তমজরিবা ঐঙোন্দসু পাবীরিবা অদোমদসু তায়ওন্ননা থোক্কদবা পাউ অমনি খঙনা তমজরিবনি। মরম অমখক্কীনি 'নুংশিবা' হায়বা থম্মোয়-ইহুল অদুদি মালেমগী মীওইবা খুদিংমক্তা মান্নরবসু মফোঙদোক্তি মান্নদে। নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা চৎনরিবা চৎনবী ঐখোয় মরিং-মরাংবগুম, ঐখোয়গী চৎনবী মখোয়দসু মরিং-মরাংগনি। দান্স অমদি ম্যুজিক ক্লাস, নোংচুপলোমগী লৈপাকশিংগী স্কুলশিংদা তঙাইফদবা অমা ওইহল্লকপা ঙসি ঙরাংতদগী নত্তে। মখোয়গী পর্পজ তোঙাল্লি। ইন্দিয়ান এদ্যুকেশন সিষ্টেম অসিগী মনুং চন্না, দান্স-ম্যুজিক-আর্ট হাপচিন্নবা হোৎনরক্লিবা ঙরাং-নহানখক্তদগী নত্তে, হয়েং-হংচিত্তসু ওইথোক্লোই, ৱাখল-খূৎখন মান্নদে। 'সেক্স-এদ্যুকেসন' স্কুল-করিকুল্লমদা হাপচিনগনি হোৎনরক্লিবসিগা পাঙ্খক্লি। ন্যু এদ্যুশেন পোলিসি মোদিনা লাউথোকখিবদু চৎনবা হৌর' মতুংদদি অহোংবা খরা লাক্কদ্রা? হৌজিক-হোরেন খঙখিরোই। ম্যুজিক কোলেজ/দান্স কোলেজ/আর্ট কোলেজদা চৎলিবা প্রোফেশনেল ওইবা আর্টিষ্টশিংগী ৱারী নত্তে লীগে খঞ্জরুবসু। পূন্সি মশক খঙননবা হোৎনবদা চঙশিন্নরিবা এপ্রোচ'তুগী ৱারীনি।

ঐখোয়' খুন্নাইসিদসু অদুঙৈদা লৈরম্মী- য়ূম্বান পূন্সি মমাঙদা নুপা-নুপী শকখঙননবা মিনিয়েচর-ইন্সটিট্যুশন- 'লৈশাফাল-পাখঙফাল'। অচৌবা কম্যুনিটি ওইরকঙৈদগী মূখৎখ্রবসু মাইনোরিটি ওইনা লৈরিবা কম্যুনিটিগী খুল মচা মচাশিংদদি ঙসি ফাওবা ইন্সটিট্যুশন অদু মূত্তরি। কুইদ্রি, চহী তরামরি মঙাগী মমাঙদা 'ৱিলোং' খুন্দা খোঙচৎ অমা চৎলুঙৈ, লৈশাফালগী লৈশাশিংনা শকপা নুংওনবা ঈশৈ অমা তারকখি। ঈশৈদুগী ৱারু অমদি ৱাহন্থোক হংলুবদা খঙলকখি - ঈশৈদু অচম্বা নৎলমদে। পুৱারী অমগা ঈরোইনরম্মী। হল্লক্লগা, ৱারী অমা শাগৎখি, হৈনজবা ড্রামা ফোর্মেট'তা। ৱারী অদু লীথোক্লুই মরুপ মপাং খরদা। ঐনা ইকায়খুম্নজবা গুরু অমনা থিংখি 'ড্রামা অদু ইরুনু, লৈবাক ৱাথোক ওইগনি'। গুরুদুবু ইকায়খুম্নজদুনা, থম্মোয় ইহুল নমথখি- 'ঐগী য়াইফনবা, ফননবা খনবা ওইরিনি'।

লৈশাফাল-পাখঙফাল' গী ইন্সটিট্যুসন মূৎখ্র'তুংদসু হৌদোক্লম্মী- 'লৈশা লৈবা ইমুংদা পাখঙনা কোয়বা চৎপগী, লৈশানা খুদোং হানবই চৎনবী... লীকোন কৌবা মশান্না, পাখঙ লৈশা অনীনা, থম্মোয়-য়াৱা ফোঙদোক্নদুনা পূন্সি-পুংবা খন্নবগী তাঞ্জা পীবা চৎনবী'...।

ঙসিদি, লৈঙাক ওথোরিটিনা ত্রেদিশনেল ভেল্যু তুংওইনখ্রবদা, পাখঙ-লৈশা অনীনা থম্মোয় লাম্থোক্লুবগী পাম্বে ওইনা শেল্লম্মি-মোবাইল ফোন অমদি ইন্টরনেট। ঙসিগী মোবাইল ফোন- মতম অমগী পাখঙ-ফাল অমসুং লৈশা-ফাল অনীগী কম্বাইন্দ প্লেটফোর্ম অমনি। ●

# 'চেগী চন্দন'

ঐগী পূন্সিগী অঙাং ওইরিঙৈ ৱারী খরদি ককা শিতলজিৎকা খিক্তং তোৎশিন্নৈ। অঙাং ওইরিঙৈদা ঐ, য়াম্লুং দুসরিদা ট্যুসন তৌবা চৎলম্মী। য়াম্লুং অতৈ কনাসু নত্তে ঐনদি ককা মিঙ্গৈজবা আর কে শিতলজিৎকী মচানুপা য়াইমনি। য়াম্লুংদো মঙাও থী, অঙাং ওইরিঙৈ য়াহৌ থেংই, ঐখোয় ট্যুসন চৎপদা ককানা নোই য়াম্লুংদি হৌগৎলমখিরোই খরা হৌদোকউ... য়াম্লুং ঐখোয় লাক্লে হৌগৎলো। য়াম্লুংদি নুমিদাং চাক চারমদবা য়াওই, য়াম্লুংনা ঐখোয়দা চজিক পীজখিবা য়াওই। চাক্তু হুন্দোকখিদৌবা পাম্মুবা অমদি ফাওবজাৎনি। মনাওনুপা সনাতোম্বগা লুনা তিন্নরকপনিনা চাক তোয়না চাই ককা হোয়দা। নুংশিখ্রেদা, নীংশিংলকই ঙসিদি, ইমাশিগী হৱাই শোক মনমদো... আলুগী কাংমেৎতা হঙ্গামথাও খরা হৈজিনবগী মনমদুনা নাতোন্দা য়ং কাবদুনি ঐনা য়াম্না হৈনখিবা।

ককা য়াম্না লাউগাল্লি, লৈকায়না কিনৈ, মচা-মমৌনা ব্যবহার য়াম্না তৌই। ঐনা ককা হোয়দা তোয়না চৎপা মতমদুদনি ককানা ইংলিস, মণিপুরী দিক্সনারি ইবা মতমনি। ঐনা চৎপা খুদিং অদুম ফম্লগা পাকথদনা লৈরম্মী। ঐ হেক লাকপগা, নঙ লাক্লব্রা হায়না তোয়না কৌবী। হায়রিবা ওজাদুগী, মহাক্কী মমা পোকপা মধৌনা লিংখৎখিবা রাম লাল পোল স্কুলগী হেদ মাষ্টর ওইরম্মী।

ঐ রাম লাল পোলদা ক্লাস ফোরদগী টেন ফাও তম্লকই। ঐখোয়না থেংনহৌবা মতমদু ক্লাস ফোর অদুৱাইদগী সভেন নৎত্রগা আইট অদুৱাই ফাওবদংনি। অঙাং ওইরিঙৈদা ঐ ককানা ইবা ইন্দিয়ান হিষ্ট্রিদু টেক্সটবুক ওইনা তম্লকখি, য়াম্না চেকশিল্লি স্কুলদু, ওজাশিংনসু কিনা চৎলি ব্যবহার তৌনা, ওজা অমনা এবসেন্ট ওইরবা, ককানা হেক্তা তাকই। সবজেক্ট লোইনা তাকপা ঙম্মী... স্কুলগী বেরেন্দাদা স্কুল কোয়না চৎতুনা চেক তৌই... ঐনা ঙসিফাওবা নীংশিংলিবা অমনা মতমদুদদি গৌড়িয়া য়ক লাউবা মতমনি। অঙাংশা নোই স্কুল হায়সি লাইশঙনি, ঈরুজরগা, চন্দন থিল্লগা স্কুল কারক্কদবনি। চন্দন থিল্লক্তুবদি স্কুল চঙহল্লোই।



আর কে শিতলজিৎ

স্কুল গেট মনুংদা চৈ মচা অমা পায়রগা মরক-মরক্তা চন্দন থিল্লক্তবা চেক তৌই, থিল্লক্তবা য়াওরক্লবদি চৈবা, কিনবা চৈ মচা অমনা থেৎ-থেৎ কল্লি... য়াম্না নানবা কনবদি নত্তে। ঐনা কমদৌরি শোমদা, ঐদি স্কুল কাবসি স্কুলগী মনীংদা কোম্থোং মচা অমা লৈ, ঐগী য়ুমগী মখা থংবদা লৈবা নামোইজম কোল্লুপ ফাওরগা স্কুলদুগী মনীংদগী হেক ফাওজিল্লগা স্কুল কাই, নোংমদি স্কুলগী কৌশিনবগী কাংশি খিংবা তাবদা চন্দন থিনবা কাউহৈরে, ঐনা ক্লাস মনুংদগী উই চন্দন থিল্লক্তবা মহৈরোয়শিং চেক তৌবদো। খুদক্তা ঐ চে মচেৎ অমদা চন্দন মান্নবা শেংলগা নাতোন্দা নপশিল্লি... ঐনা ক্লাসতগী থোরকপদা তাঞ্জা অমদা, চেনা থিনবা চন্দন ওইবনিনা খিক্তং কাংখৎপদু ককানা খঙদোকখ্রে। মখুৎতা পায়রিবা চৈদুনা ঐগী নাতোন্দুদা থিল্লগা, করিমত্তা হায়রমদে... নুমিৎতুদগী তৌশিন্নবা ফত্তে হায়বা পড়া অদু ঐ ফাখি। ●

- আর কে বুধিমন্ত কর্টা

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০২

১) **''মন্ত্রি জগোয় শারখিনি''** হায়না মিংথোনবা ৱারীমচা অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী ৱারীমচাগী লাইরিক্তা য়াওবনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

২) **''অপঙগী মিংশেল''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

৩) "UNTIL THIS NIGHT ENDS" হায়রিবা লাইরিক অসি ওরিজিনেল অইবা কনাগী করি লোলগী লাইরিক্তগী কনানা ইংরাজিদা হন্দোকপগে?

৪) **''অতোপ্পা মিংশেল''** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপান লমগী অইবা অমগী লাইরিক্লি। লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? অইবগী মমিং হায়য়ু।

৫) **'মমানা মচা ফূব্বু''** হায়রিবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০১গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) হিজম অজেম, পাৎশোই পার্ট ফোর লাই হরাওবুং মনাক - (২,৩,৪,৫)
২) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)
৩) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)
***৪) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)***
৫) খুমন্থেম নোনি, ক্বাকৈথেল ময়ায় কোইবী - (২,৩,৪,৫)
৬) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (১,২,৩,৪,৫)
৭) কে ঐচ তাতোন, ঙাইখোং খুলেন মনীং লৈকায় - (২,৩,৪,৫)
৮) মাইবম কাংজাম্বা মৈতৈ, লোইতাং খুনৌ মনীং লৈকায় (২,৩,৪,৫)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১০১গী ৱিন্নর*

***মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)***

**লিটরেরি ক্যুইজ ১০১গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০১গী পাউখুম

১) **''অশাংবা ৱারী অসি ১৯৮৯দা ইখিবনি। খোৎনীংবগী মিহুল অমদগী পঙখোৎ খোৎখিবা হায়বদুনি পঙফ ফগদবা মান্দে।''** ৱাহৈ পরেং অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী মমিং লৈরবা লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা ইবনি। অইবা অসি কনানো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?
**:- অইবা- এলাংবম দীণমনি, লাইরিক্কী মমিং - নঙগা ঐগা অমত্তনি, অহানবা ফোঙবা : ২০১২।**

২) **''অতোপ্পা লাষ্ট বস অমা''** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো অমদি অইবগী মমিং হায়য়ু।
**:- লাইরিক্কী মখল - ৱারীমচাগী লাইরিক, অইবা - ইরুংবম দেবেন, ফর্ষ্ট পব্লিশ মে ২০২৩।**

৩) **''লান্মী অহুম''** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? ওরিজিনেল রাইটর অমসুং লাইরিক্কী মমিং করিনো?
**:-মণিপুরীদা হন্দোকপা - রনজিৎ সিংহ ইরুংব, ওরিজিনেল রাইটর- আলেকজেন্দর দুমাজ, ওরিজিনেল লাইরিক্কী মমিং - দ থ্রী মস্কিটজ, ফষ্ট পব্লিকেসন : ১৬ ফেব্রুৱারী ২০২১।**

৪) **''তংখ্রবা লংলা''** হায়রিবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো?
**:- অইবা - রাজকুমারি মীনা দেবী, লাইরিক্কী মখল - শৈরেংগী লাইরিক, ফর্ষ্ট পব্লিশ : জুলাই ২০২২।**

৫) **'হেলোয়গী ৱাশক''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? **:- অইবা- নোংথোম্বম বিশ্বরজিৎ সিংহ, লাইরিক্কী মখল - ফোক টেল, ফষ্ট এদিসন : নবেম্বর ২০২০।**

# নুংশিবগী পাউজেল চেল্লিবা, শান্তিগী মপাউ পুরিবা 'নুংশিবী জাপান' লাইরিক অসিদা মীৎয়েং অমা




- তোংব্রম অমরজিৎ -

শরতচান্দ থিয়াম কুমজা ১৯৬১গী ফেব্রুৱারী ২৭, নিংথৌকাবা নুমিৎতা শগোলবন্দ লুক্রাম লৈরক ইম্ফালদা পোকই। ইবোচৌবী অমসুং ইবেমনুংশি অনীগী মপারি অহল ওইনা ফংজখিবা শরতচান্দ অইবী বিমাবতিগা য়ূম্বান পূন্সিদা খোঙদারবা মতুংদা ডা. সনাথোইবী অমসুং এথেনা থিয়াম অনীবু মচা নিঙোল ওইনা ফংজখি। অইবসি মণিপুর লৈঙাক্কী ৱাটর রিসোর্সেস দিপার্টমেন্টতগী এসিষ্টেন্ট ইঞ্জিনিয়র ওইনা থবক্তগী পোত্থাখি। মহাক্কী লমকোয় ৱারীগী লাইরিক 'নুংশিবী বাংলাদেশ' না অসাম য়ুনিভর্সিটিগী গ্রেজুএট লেভেলদা অদুগা 'নুংশিবী গ্রীস' না এম এ মণিপুরীদা টেক্সটবুক ওইনা তম্নরি। নাগালেন্দ য়ুনিভর্সিটিগী এম এ ইংলিসতা মহাক্কী শৈরেং 'Sister' অমসুং 'Shroud' লোয়ননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা 'ইচে' হায়বা শৈরেংসি সিলেবসতা হাপ্তুনা হৌজিক মহৈরোয়শিংনা তম্নরি। 100 Poets around the world for Love হায়না মিংথোনবা লন্দনদা বেজ তৌবা The Gronthee না কুমজা ২০২৩দা ফোঙখিবা International Poetry Anthology দা মহাক্কী শৈরেং ফোঙখ্রে। Norway গী Skien, Telemark-3717তা লৈবা Shuddhashar গী মেগাজিনদা মহাক্কী শৈরেং ৮সু ফোঙখ্রে। য়ু এস এগী ৱাশিংটন দি সীদা লৈবা লাইব্রেরি ওফ কোংগ্রেসতা মহাক্কী লাইরিক নুংশিবী গ্রীসনা LCCN:2011351343 অমসুং নুংশিবী বাংলাদেশনা LCC:2011351338 ফংদুনা থমখ্রে। Gopika Jadeja না এদিট তৌবা ফাইভ ইসুজ হায়না মিংথোনবা গুজরাটকী রাজকোটতা কুমজা ২০০৯দা ফোঙখিবা মেগাজিন অমদসু মহাকপু Lonely but not Alone হায়না মিংথোন্দুনা মহাক্কী শৈরেং ৮সু ফোঙখ্রে। মহাক্কী লাইরিক সিষ্টর এন্দ আদর পোইমস হায়বসি সাহিত্য একাদেমিনা ফোঙবা ইন্দিয়ান লিটরেচরগী ৩০৩শুবা মশীং জন্যুৱারী-ফেব্রুৱারি ২০১৮দা শিমান্তা ভাত্তাছারিয়ানা In search of Shangri-La হায়না মিংথোন্দুনা মরীক চুম্না নৈনবা অমসু ফোঙখি। এ কে শেরাম্না এদিট তৌবা মণিপুরী সাহিত্য বঙ্গবন্ধু ও মুক্তি যুদ্ধ হায়না মিংথোনবা শৈখ মুজিবুর রহমনগী মরমদা ইবা ৱারেং-শৈরেং ময়ামগী খোমজিনবা লাইরিক অমা কুমজা ২০১১দা ধাকাদা ফোঙখিবা লাইরিক অসিদসু মহাক্না ইবা শৈরেংশিং, বাংলাদা হন্দোক্তুনা ফোঙখি। মহাক্কী শৈরেং 'ইচে'বু অখোকা থিএটরগী ভিক্টর থৌদামনা ড্রামাটাইজ তৌবগা লোয়ননা দিজাইন এন্দ দিরেক্সন পীদুনা নেপালদা ২০২২দা পাঙথোকখিবা Janakpurdham Literature, Arts and Theatre Festival দা উৎখি। সাহিত্য একাদেমিনা চহী ৫০ শুরকপগী গোল্ডন জুবিলিগী শরুক অমা ওইনা ২০০৪দা মুম্বাইদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ান পোইত্রি ফেষ্টিবেল, ২০০৯দা ভুবনেশ্বরদা পাঙথোকখিবা নেশনল সিম্পোজিয়ম ওফ পোইটস, ২০১২দা বাংলাদেশকী ধাকাদা পাঙথোকখিবা নেশনল পোইত্রি ফেষ্টিবেল, ২০১৭তা ন্যু দেল্লীদা পাঙথোকখিবা Raja Biennate of Indian Poetry অমসুং ২০১৯দা কেরলাদা পাঙথোকখিবা কেরলা লিটরেচর ফেষ্টিবেলদা শরুক য়ারুরে।

মণিপুরী খোরিরোলদা লমকোয় ৱারীগী মথেল অসিমক শৈরেং লাইরিক ফোঙনরিবা অসিগুম্না য়াম্না মরাং কায়বা খূৎই অমদি ওইদ্রি। লমকোয় ৱারী লাইরিক্তা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংলবা মণিপুরী অইবসু মশীং লিল্লি। অদুমকপু জোনার অসি য়াম্না মরু ওইবা খোরিরোলগী শরুক অমনি। কুমজা ১৯৭৩দগী হৌনা সাহিত্য একাদেমিনা মণিপুরী খোরিরোলদা সাহিত্য একাদেমি মনা পীদুনা লাক্লিবা অসিদা শৈরেং, ৱারেং, নোবেল, লীলা অসিগী জোনার মরক্তা লমকোয় ৱারী লাইরিক্তা অনীখক্তা ঙায়রি একাদেমিনা মনা লাউথোকখিবা অসি। মসিগী মনুংদা অইবা শরতচান্দগী 'নুংশিবী গ্রীস' ২০০৬তা ফংখি অদুগা অইবা মাখোনমনি মোংসাবগী 'চীংলোন অমদগী অমদা' হায়রিবা লমকোয় ৱারী অসিনা ২০১৩দা ফংখি। ত্রাভেল রাইতিং অসি ইনদবদি নত্তে মণিপুরদসু অদুবু ইবগী অমসুং লাইরিক ওইনা ফোঙবগী মশীংদি খরা লিক্লা লৈরি। মসিদা অইবশিংনা মায় ওনশিনবসু ঐখোয়গী খোরিরোল চাওখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি খল্লি। 'হাজিল্লকপা ঈশিংগী মনাক্তা' হায়না মিংথোনবা লমকোয় ৱারী লাইরিক অসিনা অহানবা ইবা লমকোয় ৱারী লাইরিক ওইনা ফোঙখ্রবা মতুংদা অইবা শরতচান্দ থিয়াম্না হৌজিক ফাওবদা মণিপুরী ত্রাভেল রাইটিংদা খুদোল তমখ্রিবসি পূন্না লাইরিক তরুক্লি।

অমত্তা ওইবা মালেম, নুংশিরবা মালেম, মীওইবদি অমত্তনি, মীওইবগী থম্মোয়দা ঈংথ-তপথবা শান্তি হায়বদু পুরক্লবা হোৎনবদা করম্না পাউজেল পীসিগে খনবদা নুংশিবা হায়বসি নত্তনা অতৈ পাম্বে লৈরোই হায়বসি অইবা অমসুং কবি শরতচান্দনা শোয়দনা চেৎনা থাজরমগনি অদুননি মহাক্না মহাক্কী হৌজিক ফাওবদা ফোঙলিবা লমকোয় ৱারী লাইরিক মঙা অমদি নুংশিবদা য়ূম্ফম ওইদুনা 'নুংশিবী গ্রীস', 'নুংশিবী বাংলাদেশ', 'নুংশিবী ম্যান্মা', অমসুং 'নুংশিবী জাপান' হায়না মিংথোল পীরক্লিবসি।

জাপান হায়না হেক পল্লকপদা জাপান লান নীংশিংই। জাপানিজশিংনা মণিপুরবু কয়া য়াম্না নুংশিবা হায়বদুসু থবক্না হেক হেক উৎলকই। জাপানগী ৱারী পারুবশিংনা জাপানিজগুম্না পূন্সিদা থবক তৌদুনা মায় পাকপা কয়াসু লৈরি। জাপানগী ৱারীদি ফিদমগী তুংনফম্নি। কলচর অমসুং ত্রেদিসন নুংশিবদগী হৌদুনা অলত্রা মোর্দন ওইরবা আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্সনা সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিদা অঙকপা ফংনা চাওখৎহল্লবা মালেমসিদা জাপানিজশিংনা মখোয়গী হৌরকফম্বুদি নীংশিংদনা তোক্তে। জাপান পল্লকপদা সোণী কম্পনিগী ফাউন্দর আকি মোড়িতাগী 'মেদ ইন জাপান' উরকই, লাইরিক অসি অমুক পানীংলকই। লানগী তমথীবা অমসুং অকিবা হেক পল্লকপদা হিরোসিমা নগাসাকি মিৎমাংদা হেক্তা উরক্কনি। অদুদি লান অসি মীওইবগী য়েক্লবা নৎত্রা। অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওগী তমথীরবা




পুৱারীগী লমায়সু জাপানদা এটোম বোম থাদখিবা অদুনা থুপচিনখি। লান পামদে মীওইবনা হায়বদু ঙসিসু পাউজেল পীরি জাপাননা।

লমকোয় ৱারী হায়বসিমক্তবু পানীংই। ৱারী তানীংই। অতোপ্পা লৈবাক্তা লম কোয়রুবদা থেংনরকপা নুংঙাইরবা থৌদোকশিংগী পাউদম তানীংই অমসুং খঙনীংই। 'অহানবা অমসুং অহৌবা' - মসিনা লাইরিকসিগী অহানবা পন্দুপ্নি। মসিদা হরাওবা-নুংঙাইবা, মথুম-মরাং হৌবা জাপানগা অহানবা উনবগী নুংঙাইবা আশা কয়া য়াওবা পাউদমশিং য়াওরি। টিম লিদর ডা. এল সুরজিৎ, মাউন্ট এভরেষ্ট কারুবগী তাঙ্কক অমা, কোরোনা লাকপদগী মিপাইবা পূম্ননক মরীক চুম্না ইরি। 'খোঙচৎ অমসুং খোঙথাং', 'মতম অমসুং মায়ওন'- মসিদা অইবনা জাপানিজগী মতমগী ভেল্যু, মখোয়গী হিংলিবা ফিদম্নিংঙাই ওইরবা পূন্সি মহিং, মখোয়গী থকসি-খাসি, মখোয়গী কলচর মিৎনা উবা পাউদমশিং মরীক চুম্না ইরি। নৈননীংঙাই য়াম্না য়াওরি। মসিনি লাইরিক্কী কান্নবা অমসুং মরু ওইবসু। হৌজিক চাওখৎলে হায়রগসু গুগল সর্স তৌদুনা লোইনা থিবা-হুম্বা, খঙবা য়ারে হায়রগসু ঐখোয়না খঙদবা কয়া অমদি লৈরি। মসি লাইরিক পাবনদি হেন্না খঙবা ঙমহল্লি হায়নীংই।

লানগী ম্যুজিয়ম, শান্তিগী ম্যুজিয়ম্নি জাপান্দি অদুননি অইবনা মহাক্কী কেপসন অসি পীরকপদা ইরক্লিবসি য়েংবীয়ু 'নাগাসকি অমসুং নীংতম্বা'- ''ঐখোয় ময়াম হরাও মিনোক্না লোয়ননা নাগাসকি এটোমিক বোম ম্যুজিয়মদা চঙদুনা ম্যুজিয়ম অসিগী মনুংদা লৈরিবা পিস লর্নিং রুমদা চঙদুনা নাগাসকি সর্ভাইবর অদুগা উনরে... মমিং য়োশিরো য়ামাৱাকি এটোমিক বোম সর্ভাইবর'' (লা: ৭৬) এটোমিক বোম ম্যুজিয়মগী লাইব্রেরিদা অইবনা ইবা নুংশিবী গ্রীসকী ইংলিস ত্রান্সলেসন 'ও লবলি গ্রীস' অমসুং ওজা নন্দকুমারনা ইবা 'জাপানিজ এন্দ মণিপুরী ফোর বিগিন্নর্স' হায়রিবা লাইরিক অসি খুদোল তম্লমখি। নুংশিবী গ্রীস লাইরিক অসিগী লমায় ৬৪দা য়াওরিবা 'হিরোসিমা সর্ভাইবর অমসুং সদাকোগী ৱারী য়াওরি পাবীয়ু হায়না লাইরিক অসিদা পীরিবা শান্তিগী পাউজেল অদুসু অইবনা ফোঙদোক্লমখি। মসি নৎত্রা অইবশিংগী থৌদাং। মসিমক চপ চানা পাঙথোক্লমখি অইবা শরতচান্দনসু জাপান্দা। মহাক তূমিন্না চৎপা নত্তে জাপানগী খোঙচৎ অসিদা। পূম্নমক য়েংশিল্লি, খোমজিল্লি তাশিল্লি ঈ-পাউ পূম্নমক। তম্বা য়াবা, খঙবা য়াবসু খঙজিন্নবা হোৎনখি হায়বসিদা লাইরিক অসিনা লেঙদ্রবা খুদম ওইরি।

'মহৌশা অমসুং মীৎয়েং' - পান্দুপ অসিদা মালেম অসিদা মীওইবনা হিংলিবসি মহৌশাদা তাংজ দুনা হিংলিবনি। অদুবু মীওইবদি নাপলদা হে থোংদুনা হেক-হেক নীংশিংবা ঙমদে ঐখোয়সে মহৌশাগী শরুক অমনি। উফুলদা নোংমা তিনখিগদবা ঐখোয়না মালেমসিগী য়াইফনবা থবক অমত্তা পাঙথোকপা ঙমদ্রবদি মদু হিংবগী ৱাহন্থোক লৈরিব্রা হায়বসি হংফম থোকপনি লানবু পামজবা, হিংশাবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নদুনা শান্তিবু থুগায়রিবা মখোয়দা। মিৎয়েং শানবা জাপানিজশিংনদি থায়নদগী লীক্লম কায়দনা লাক্লি মপা-মপুগী লীক্লমদা অদুনা মখোয়দগী তমজনীংঙাই কয়া লৈরি। পূম্নমক লাইরিক অসিগী পন্দুপ কয়াদা অইবনা য়াম্না হৈ-শিংনা পাউদল্লি। খোঙচৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা উনজেন সিটিদা লৈবা কোজিরো গ্রীন প্রমোসনগী ফার্মলেন্দা উপালসু থারমখি অইবনা। লাইরিক অসিগী মখুমসু অইবনা উপাল অমা থাবগী ফোটোগ্রাফ অমা হাপ্লি। মসি য়াম্না সিম্বোলিক ওই।

'অনৌবা অমসুং অনীংবা' - পন্দুপ অসিদা অমুক পাউদল্লি জাপানিজশিংনা ঈশিং করম্না য়োক্তুনা- লীদুনা থল্লিবা অমসুং শীজিন্নরিবা। তুরেলশিংগী মরু ওইবা, উমংশিংনা পীরিবা কান্নবশিং মসি য়াওদবা মতমদা মীওইবনা থেংনরিবা অৱাবশিং নৈনরি মতাং চানা। ঐখোয়গী 'তুতেংলোন' গী ৱারীসু য়াওশিল্লকই। জাপানদা 'সিৱেজ সিষ্টমগী য়াম্না মপূং ওইবা ওবজেক্টিভতি ইমপ্রুভমেন্ট ওফ লিবিং এনভাইরমন্টে অমসুং প্রিভেন্টিং ফ্লদিং' হায়বসিদা থবক তৌরি।

'শক্তম অমসুং শক্লোন' মসিদা অমুক জাপানগী খ্বাইদগী লীরবা লাইশঙ শেনজোসি লাইশঙ ঙসিসু লেঙদনা লৈরি। টুরিষ্ট কয়া মালেমগী লৈবাক কয়াদগী য়েংবা লাক্লি, লাই খুরুম্লরি লাই লৈ হায়না থাজবা মীগী মশীংনা মশীং হেন্না লৈরবদি মালেমসে শান্তি পুরকপদা মতেং ওইগনি হায়বা ফাওবা খলহল্লি লাইরিক অসিনা। 'অরোইবা অমসুং অখন্নবা' - মিংথোল অসিনা লমকোয় লাইরিক অসিগী অরোইবা পন্দুপনি। নুমিৎ নিপান্নি, ফেব্রুৱারী ১-৮, ২০২০ ফাওবা জাপান লৈঙাক্না স্পোন্সর তৌদুনা আই আর আস এস প্রোগ্রাম হায়রগা খঙনবা য়ুথ ইনভিটেসন প্রোগ্রাম ফ্রোম নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন ওফ ইন্দিয়া অসিবু য়াওনবা মণিপুরদগী মীওই ১৬ খনগৎপদা অইবসু শরুক য়াখি। কোভিদ পেন্দেমিককী মীপাইনীংঙাই ওইরবা মরক্তনি জাপান্দা থুংলুখিবদু অইবনা। পাউজেল কয়াদি পুদুনা লাকখি। মরু ওইনা শান্তিগী পাউজেলনি পুদুনা লাকখিবসু। অফবা থবক্তি ঐখোয়সু মতৌ তম্বা করি অকায়বা লৈবগে খলহল্লি। ৱাখল লুনা খন্থহল্লি লাইরিক অসিবু পারুবদা। লমকোয় ৱারী লাইরিক কয়া লেপ্তুনা ইরকখিনি অমসুং মণিপুরী খোরিরোলগী পূক্নৈদা জোনার অসি হেন্না খুদোল তম্লকখিগনি হায়না থাজবা থমজরি অইবগী মফমদা। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।